# য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ফেদরর, জ্বেরেব, ওষ্টাপেনকো অমসুং ৱোজনিয়াকি ২ শুবা রাউন্দ চঙখ্রে




ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) ঃ চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা নুপাগী কাঙলুপতা ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় ওইরিবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং মরিশুবা সীদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী কাঙলুপতা ১০ শুবা সীদেদ শান্নরোয় লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকো অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমদুনা মতম শাংনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা মতুং হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী সিঙ্গলসকী মেচ অমদা জপানগী য়ুসিহিতো নিসিয়োকাগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অহুমদা থোইবা ঙমখি। মেচ অদু ফেদররনা ৬-২, ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। ফেদররনা অনীশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী দি নোবাকপু সেট ৩-১ দা মায়থীবা পীরম্বা ফ্রান্সকী শান্নরোয় বি পাইরিগা লম্বা থৌনরগনি।

নুপাগী টেন্নিসকী নৌবা মমিং লৈরক্লিবা শান্নরোয় জর্মনিগী য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সীদেদ ওইরিবা অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা কনাদাগী শান্নরোয় পিতর পোলান্স্কিবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-২, ৬-১, ৬-২ দা থোইখি। জ্বেরেবনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা সী মোটেকপু সেট ৩-১ দা মায়থীবা পীরম্বা নিকোলাস মাহুদকা ২ শুবা রাউন্দদা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপতা ১০ শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী লাটভিয়াগী জেরেনা ওষ্টাপেনকোনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা ঙরাং জর্মনিগী এন্দ্রি পেটকোভিচপু ৬-৪, ৪-৬, ৭-৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী এ অনিসিমোভাবু সেট ২-১ দা মায়থীবা পীরম্বী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় টি টাউনসেনগা লম্বা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সাইমোনা হালেপ অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুবু ৬-৩, ৬-২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এ ভান উট ভাঙ্কপু ৬-৩, ৬-২ দা থোইরম্বী য়ুক্রেনগী এল সুরেনকোগা থেংনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপতা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা মায় পাকখিবা শান্নরোয়-শিংগী মনুংদা টুর্নামেন্ট অসিদা তরুকশুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারক্লিবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ য়াওরি। মহাক্না ঙরাং হঙ্গেরিগী শান্নরোয় মার্টোন ফুকসোভিচপু ৬-৩, ৩-৬, ৬-৪, ৬-০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী ভি ত্রোইকিবু সেট ৩-০ দা মায়থীবা পীরম্বা য়ু এস এগী টি সানগ্রেনগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা ক্রোসিয়াগী মরিন সিলিকনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা ইটালিগী মারিয়স কোপিলগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অনী থোইদুনা লৈরিঙৈ কোপিল অহুমশুবা সেট অদু মফুং ফানা শান্নবা ঙমদবদগী পোথাখিবনা সিলিকনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এস ট্রাভাগ্লিয়াবু থোইরম্বা পোলেন্দগী ঐচ হুর্কাজকা লম্বা তৌনরগনি। নুপাগী অতোপ্পা শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিয়োজনা অহানবা রাউন্দদা কনাদাগী রাদু অলবোটপু ৭-৫, ২-৬, ৬-৪, ৬-২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভামব্রিবু সেট ৩-০ দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী পোল হেনরি হরবর্টকা অনীশুবা রাউন্দদা থেংনরগনি।

চথরিবা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা মরিশুবা সীদেদ ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা রসিয়াগী মাগরিতা গস্পারিনবু ৭-৬ (৭-৫), ৬-৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। কর্বরনা ২শুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটপু সেট ২-১ দা থোইরম্বী স্বিদেনগী জে লারসনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী টেন্নিসকী লমদা মমিং লৈরবী শান্নরোয় রসিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা স্বিজর্লেন্দগী পেটি স্নাইদরবু ৬-২, ৭-৬ (৮-৬) তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী এ রিস্কেবু সেট ২-১ দা থোইরম্বী ফ্রান্সকী এস কর্ষ্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী শান্নরোয় অমা ওইরিবী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সীদেদ ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা গ্রেট বৃটেনগী জোহানা কোন্টাবু ৬-২, ৬-২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা গার্সিয়ানা স্বিজর্লেন্দগী এস ভোগিলিবু য়াম্না কোম্না ৬-০, ৬-০ দা থোইরমখিবী প্যুর্টো রিকোগী এম প্যুগকা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক য়ু এস এগী শান্নরোয় ১৪ শুবা সীদেদ ওইরিবী মেদিসন কিজনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা ফ্রান্সকী পোলিন পার্মেন্টিয়রবু ৬-৪, ৬-৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা থেংনগদৌরিবা শান্নরোয় অদু য়ুক্রেনগী টি পুটিনসেভাবু ৭-৬ (৮-৬), ৬-৪ দা থোইরম্বী য়ু এস এগী বি পেরানি।


নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় ফেদরর অমসুং ৪ শুবা সীদেদ জর্মনিগী জ্বেরেব



নুপীগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা ১০ শুবা সীদেদ লাটভিয়াগী ওষ্টাপেনকো অমদি ২ শুবা সীদেদ দেনমার্ককী ৱোজনিয়াকি

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৭

১। মণিপুর টাউন ক্লব ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী মমীং চৎপা হোকি অমসুং ফুটবোল শান্নবদা মকোক ওইখিবা ক্লবনি। ক্লব অসি লীংখৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নুপা অদু কনানো?

২। মহাক বেলারুসকী নেসনল লেজিষ্টলেচর ওইদ্রিঙৈদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা ওইরম্মী। মহাক ওলেম্পিক অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৩। মহাক এসিয়ন গেমসতা ফুটবোল শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারুবদা মেচ অনীখক্তং শান্নবা ফংখি। ফাইনেল শান্নবদা য়াওবা ফংখিদে। হন্দক্তা পাউমী অমদা মহাক্না হায়খিবদি "ঐনা ফাইনেল শান্নবদা শরুক য়াবা ফংদ্রবসু মদুনা (এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারুবা) ঐগী খ্বাইদগী চাউবা মীৎকুপ অমনি অমসুং ঐগী নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে"। সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয় ১৬কী মনুংদা অমা ওইখিবা খা থংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। মহাক ইরাক্কী মহুৎ শিন্দুনা মেক্সিকো ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা শরুক য়ারুবদা পোজিসন অমত্তা ফংখিদে। মহাক্না অমেরিকাদা মীতোপ (অতোপ্পা লৈবাক্কী মী) ১০০০ হেন্না আইনগী ৱাংমদা লোন্না পুশিনবগী (Immigrant Smuggling) ফাদুনা চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। সাইকল থৌবা অদুগী মমিং হায়য়ু।



৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অসাম রাইফলসনা লংথবাল মন্ত্রিখোং গ্রাউন্দদা নেসনল স্পোর্টস দে থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ হেদক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) গী মীৎয়েং মখাদা মাপনশুবা সেক্টর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং পব্লিক গ্রাউন্দদা কৈথেলমানবী বট্টালিয়নগী মখাদা লৈবা কাঞ্চিপুর কম্পনি ওপরেটিং বেজকা খূৎশম্নদুনা ষ্টেট অসিগী কঞ্জুমর এফেয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন এন্দ রেভিন্যু, রিলিফ এন্দ রিহেবিলিটেসনগী মিনিষ্টরগী ফম পায়রিবা করাম শ্যাম য়াওনা নেসনল স্পোর্টস দে পাঙথোকখ্রে।

নেসনল স্পোর্টস দে পালন তৌবগা মরী লৈননা কৈথেলমানবী বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট কর্নেল অমিত কুমার দাস, লংথবালগী প্রধান এ সুনন্দ য়াওনা থৌরম অদু মপুং ফানা পাঙথোকখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ) গী পি আর ওনা প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা করাম শ্যামনা নেসনল স্পোর্টস দে পালন তৌবগী থৌরম অদুগী অহৌবা ওইনা ফুটবোল শান্নবদা চঙগদবা কিটশিং অদু য়েন্থোকখি। মদুগী মতুং অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংগা মফম অদুগী ক্লবকা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অমসু শান্নখি। অসাম রাইফলসনা শীনখিবা অতোপ্পা নেসনল স্পোর্টস দেগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা থৌবাল বট্টালিয়ননা চরাংপাৎ ফুটবোল ক্লবকা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অমসু শান্নখি। লোয়ননা অপ্পর খোরিপোক কম্পনি ওপরেটিং বেজ অমসুং চন্দ্রখোংগী পর্সনেলশিংনসু মফম অদুদা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেচ অমসু শান্নখি। অসাম রাইফলসনা শান্নবগী লমদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অদুবু মফম কয়াগী মীওইশিংনা থাগৎলকপা ফোঙদোরক্লি।

# এ এফ সী কপ ইন্টর জোন সেমি ফাইনেল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী বেঙ্গালুরু এফ সী টর্কমেনিষ্টানগী অল্টিন এসিরগী মখূৎতা মায়থীখ্রে




অসগবাট, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) ঃ

টর্কমেনিষ্টানগী কোনুং অসগবাটতা লৈবা কোপেটদাগ ষ্টেদিয়মদা ঙসি লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লব অল্টিন এসির অমসুং ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সীগা শান্নখিবা এ এফ সী কপ ২০১৮ ইন্টর জোন সেমি ফাইনেল লেগকী অনীশুবা মেচতা য়ূম্বু ওইখিবা ক্লব অদুনা ইন্দিয়াগী ক্লব অদুবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা মমাঙদা বেঙ্গালুরুনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা অহানবা লেগতা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখিবা অদুগা পূনশিল্লগা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৫-২ দা থোইদুনা বেঙ্গালুরু এফ সী মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সীনা মমাঙদা শান্নখিবা এ এফ সী কপ ২০১৮ ইন্টর জোন সেমি ফাইনেল প্লে ওফকী অহানবা লেগ অদু টর্কমেনিষ্টানগী অল্টিন এসিরগী মখূৎতা পাঞ্জল ২-৩ দা মায়থীখিবা অদুগী মতুং ঙসি অনীশুবা লেগকী মেচ অদু শান্নখিবনি। বেঙ্গালুরু এফ সীনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওইখিবা শ্রী কান্তিরভা ষ্টেদিয়মদা অহানবা লেগ শান্নখিবা অদুদা টর্কমেনিষ্টানগী অল্টিন এসিরনা মেচকী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি।

য়ূম্বু ওইদুনা শান্নখিবা বেঙ্গালুরু এফ সীনা অহানবা লেগকী মেচ অদুগী অনীশুবা হাফতা ফজবা ঙল্লক্তুনা টর্কমেনিষ্টাননা পাঞ্জল ৩ চনশিন্দুনা লৈখিবা অদুগী মতুং পাঞ্জল ২ হন্দোকপা ঙমখি। মদুগী মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদনা অহানবা লেগকী মেচ অদু বেঙ্গালুরু এফ সী পাঞ্জল ২-৩ দা মায়থীবা নংখি।

ঙসি অল্টিন এসিরগী হোম গ্রাউন্দ কোপেটদাগ ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়াগী বেঙ্গালুরু এফ সীদগী মখোয়না খুদোংচাবা হেন্দুনা এ এফ সী কপ ইন্টর জোন সেমি ফাইনেল প্লে ওফকী অনীশুবা লেগকী মেচ অদু শান্নবা হৌখি। বেঙ্গালুরু এফ সীগী টিম অদু ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা লুচিংখি। মদুদা মণিপুরদগী হৌখিবা উদান্তসু শরুক য়াখি। লোয়ননা টিম অদুগী গোলকীপর ওইনা শরুক য়ারিবা সান্ধুসু ইন্দিয়াগী নেসনল টিমগী নম্বর ৱান গোলকীপরনি।

অল্টিন এসিরনা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী দিফেন্স লাইনগী শান্নরোয়শিংনা অশোনবা মশান্না উৎখিবদগী অল্টিন এসিরনা এটেক হেঞ্জিন্দুনা বোল কা হেন্না পুশিনবা ঙমখি। অদুবু টিম অদুনা পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু বেঙ্গালুরু এফ সীগী গোলকীপর সান্ধুনা ঙাকথোক্তুনা পাঞ্জল চলহনখিদে। শান্নবগী ১৯ শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরু এফ সীগী এটেক অমদা ফ্রী কিক অমা কেপ্টেন ছেত্রিনা কাওখি। অদুবু মহাক্কী সোট অদু এসিরগী গোল পোষ্টতগী নাথৈরগা চৎখিদুনা পাঞ্জল ওইখিদে। অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনিট ৪ চঙশিল্লকপদা অল্টিন এসিরগী অনা দুর্দিয়েফনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মদু হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদা অল্টিন এসিরনা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় ওরাসাহেদোবনা ৫৮ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা সেমি ফাইনেল প্লে ওফ অদু মখোয়না ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সীবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা অহানবা লেগকী পাঞ্জল ৩-২ অদুগা পূনশিল্লগা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখি।

# মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী কোচ, ফিজিও অমসুং ট্রেনরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী মখাদা লৈরিবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংবু অফবা থাক্তা শেম্নবগীদমক ইং শোক ২০১৮-১৯ গী ওইনা কোচ, ফিজিও অমসুং ট্রেনরশিং খনখ্রে।

খল্লবা কোচশিং অদুদি সিনিয়র মেন কোচ ওইনা সিব সুন্দর দাস, চহী ২৩ মখাগী মেন কোচ ওইনা কোবাল দত্ত, চহী ১৯ মখাগী মেন কোচ ওইনা শমুরাইলাৎপম সঞ্জিৎ শর্ম্মা, চহী ১৬ মখাগী মেন কোচ ওইনা সিনাম প্রিয়োব্রত্ত, সিনিয়র ৱুমেন কোচ ওইনা পুস্পাঞ্জলি বেনর্জি অমদি চহী ১৯ মখাগী অমসুং চহী ২৩ মখাগী ৱুমেন কোচ ওইনা রিতু দ্রুবনি।

খল্লবা ফিজিওশিং অদুদি সিনিয়র মেন ফিজিওদা ডো. পৱন কুমার তালুপুরু, চহী ২৩ মখাগী ফিজিওদা ডো. থোঙাম কামলেশ, চহী ১৯ মখাগী ফিজিওদা জেসি আইসাক কোথাপাল্লি, চহী ১৬ মখাগী ফিজিওদনা ডো. পিঙ্কি মাইবম, সিনিয়র ৱুমেন ফিজিওদনা বিপাশা চৌধুরি অমসুং চহী ১৯ মখাগী অমসুং চহী ২৩ মখাগী ৱুমেন ফিজিওদনা হর্শ গংৱালনি।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনন‍া খনগৎলবা ট্রেনরশিং অদুনা সিনিয়র মেন ট্রেনরদা মনিস জহা, চহী ২৩ মখাগী মেন ট্রেনর ওইনা টি বি সী, চহী ১৯ মখাগী মেন ট্রেনর ওইনা ডো. চেরিস সলাম, চহী ১৬ মখাগী মেন ট্রেনর ওইনা জসিকা করাম, সিনিয়র ৱুমেন ট্রেনর ওইনা অভিলাশা শর্ম্মা অমসুং চহী ১৯ মখাগী অমদি চহী ২৩ মখাগী ৱুমেন ট্রেনর ওইনা হিটিয়াসি বসভারাজুনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সিঙাম প্রিয়ানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ইন্দিয়াগী স্মৃতি মন্ধানা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা কিয়া সুপর লীগ প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনা ফংখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) ঃ

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা নুপীগী টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মমিং লৈরবা কিয়া সুপর লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ৱেষ্টর্ন ষ্টোর্ম ক্রিকেট ক্লবকী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোয় স্মৃতি মন্ধানানা লীগ অদুগী প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনা ফংখ্রে।

মালেমগী ক্রিকেট শান্নবা লৈবাক-শিংগী ওইবা নুপীগী কাঙলুপতা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ইংলেন্দদা পাঙথোকপা কিয়া সুপর লীগতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় স্মৃতি মন্ধানানা ৱেষ্ট ষ্টোর্ম ক্রিকেট ক্লবকী শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারকপদা পূন্না লীগ মেচ ১০ শান্নবদা রন ৪২১ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটসৱুমেন ওইখি। মহাক্কী টিম ৱেষ্টর্ন ষ্টোর্ম সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি। অদুবু মহাক সেমি ফাইনেল মেচ অদু শান্নবা ঙমখিদে।

মন্ধানানা টুর্নামেন্ট অদুনা ৱেষ্টর্ন ষ্টোর্মগী মায়কৈদগী শান্নরকপদা মায়োক্নবা টিম লোগবোরো লাইটনিংগী বোলরশিংবু নমথদুনা রন ১৮ দা থোইখিবা মেচ অদুদা মহাক্না শুপ্পগী বোল ১৯ দা রন ৫২ লৌদুনা লীগ টুর্নামেন্ট অদুদা খ্বাইদগী থুনা য়াঙনা রন ৫০ লৌবা ঙম্বা বেটসৱুমেন ওইখি। হায়রিবা মেচ অদুদা মন্ধানানা সিক্স মরি অমসুং ফোর মঙা য়ৈবা ঙমখি। মন্ধানানা টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা সেঞ্চুরি অদুসু লৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অদুদা মন্ধানানা পূন্না সিক্স ২১ অমসুং ফোর ৪৫ য়ৈদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু মঙোন্দা পীখিবনি। মহাক্কী পর্ফোমেন্স অদুনা নবেম্বর ৮ দগী ১৮ ফাওবা ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপীগী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ, আইরলেন্দ অমসুং পাকিস্তানগা পূন্না গ্রুপ বিদা শান্নবদা অচৌবা পাঙ্গল লৈরগনি।

# নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টপু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ওগষ্ট ২৪ দগী ৩১ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টপু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা কাঙলুপ অসিগী মপু ওইখ্রে। অদুগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনা রন্নর্স অপ তাহৌরে।

চহী ১৪ অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী কাঙলুপতা দিষ্ট্রিক্ট ১৫ অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কেটিগরিদা দিষ্ট্রিক্ট ১৩ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী নুপাগী চহী ১৪ মখাগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট শান্নখি। মেচ অদু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টপু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লাকচনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক য়ৌশিল্লকপদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

কেটিগরি অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট শান্নখি। মেচ অদুসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু লাকচরপ তৌনা শান্নখিবদা মেচকী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা কাঙলুপ অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা টিম ওইখিবনি।

নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়মদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী চেম্পিয়নগী টাইটল লৌনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। চেম্পিয়নগী টাইটল ফংনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা কাঙলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা মায়থীহৌরবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপামচাগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপকী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখি। লম্বা চানা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট শান্নখি। মেচ অদু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থীবা পীখি। কেটিগরি অসিগী লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা নোনে দিষ্ট্রিক্ট অমসুং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদু চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টনা নোনে দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি।